# হেজবোলাগী খুৎলায়গী মতাংদা হান্না য়েংশিন্দনা লেবননগী ক্রাইসিস লৈখায় তাবা ঙল্লোই : পোম্পিও



পেরিস, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) : ইরান্না শৌগৎপা হেজবোলাগী খুৎলায়গী মতাংদা খুদক্তা য়েংশিনবা তৌদনা ফ্রান্সনা লেবননগী ক্রাইসিস লৈখায় তান্নবা হোৎনরিবসি মায় পাকপা ঙল্লোই হায়না যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ১৯৭৭ তগীনা কুমজা ১৯৯০ ফাওবগী সিভিল ৱার মতুংদগী লীশাং শীৎনা শেঞ্জা-থুমজা অমসুং অরান-অহুই তৌবা লৈঙাক লৈরকপদগী লেবননদা খ্বাইদগী শাথিবা ক্রাইসিস অমা থোক্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা অনৌবা লম্বী অমা লাকহন্নবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা চুংশিন্নদুনা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোলনা লুচিংদুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং ৱাশিংটন্না খুৎলায় মতিক চানা পায়বগা লোয়ননা পোলিটিকেল মতিক ময়াইসু লৈরিবা হেজবোলাবু টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়জরবসু পেরিসনদি গ্রুপ অসিগী মীখলদা শরুক য়ারিবা ৱিংগী লোনা য়াবা পোলিটিকেল থৌদাং লৈজে হায়রি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা চয়োলদা হেজবোলাদা মতেং পাংবনি হায়না মরাল শীরিবা হান্নগী গভর্নমেন্ট মিনিষ্টর অনী ব্লেক লিষ্ট তৌদুনা লেবননগা মরী লৈনবা অথিংবশিং হেন্না পাকথোক-চাওথোকহনখি। খোঙথাং অদুনা লেবননগী য়েংথিনরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা অনৌবা গভর্নমেন্ট শেম্বগী মতাংদা যু এস অমসুং ফ্রান্সকী মরক্তা কদায়ফাওবা তাথোক-তাশিন তৌনরিবগে হায়বগী মতাংদা ৱাহং কয়া লাকখি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনদি ইরান্না চাইনিজ টেক্নশিং অমসুং রসিয়ন এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং লৈরগা খুৎলায়শিং অদুবু হেজবোলাদা য়োনশিল্লগা প্রসিদেন্ট মেক্রোনন্না লেবননগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবদা অপনবা লাক্কদৌরিবদু থিংনবা হোৎনরি হায়না পোম্পিওনা ফ্রান্সকী ইন্টর রেদিওদা ফোঙদোকখি।

# চিংনিঙাই ওইবা চাইনাগী কোষ্টগার্দ ভেসেল উবদগী ইন্দোনেসিয়ানা সমুদ্রদা পেট্রোলিং কনখৎলগনি

জাকার্তা, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) : অনকপদা চিংনিঙাই ওইবা মওংদা চাইনিজ কোষ্টগার্দ ভেসেল অমা থেংনখিবগা লোয়ননা ইন্দোনেসিয়ানা সাউথ চাইনা সীদা লৈবা লৈবাক অসিগী ইথৎ খরগী মনাক্তা মরিটাইম সিক্যুরিটি ওপরেসন হেনগৎলগনি হায়না সিনিয়র সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজ ভেসেল অদু থাংজ নুমিত্তা নোংপোকথংবা নাতুনা ইথৎশিংগী মনাক্তা লৈরিবা ইন্দোনেসিয়াগী মাইল ২০০গী এক্সক্লুসিভ ইকনমিক জোনদা চঙশিল্লকখি অমসুং জুরিসদিক্সনগী মতাংদা রেদিওগী খুত্থাংদা শীংনবদগী নিংথৌকাবা নুমিত্তা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি হায়না মরিটাইম সিক্যুরিটি এজেন্সিগী চীফ আন পুর্নিয়ানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।



ইন্টরনেসনল লোগী মখাদা ইচম চম্বা মরমগী ওইরবদি অতোপ্পা লৈবাক অমগী ঈ ঈ জেদ ফাওবা য়াবগী অয়াবা পীনবগী চৎনবী লৈরবসু ভেসেল অদু মতম শাংথনা মফম অদুদা নৈশিন্দুনা লৈখি। ফিভম অদুদা ঐখোয়দা চিংনবা ফাওরকপদগী ভেসেল অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লুবদা চাইনিজ কোষ্টগার্দকী ভেসেল অমনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা ইন্দোনেসিয়াগী নেভি অমসুং কোষ্টগার্দনা মফম অদুদা সিক্যুরিটি ওপরেসন কনখৎলগনি হায়না আন্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, জহাজ অদু চাইনিজ জুরিসদিক্সন মখাদা লৈরিবা ঈশিংগী শরুকশিংদা নোর্মেল পেট্রোল দ্যুটি পাঙথোক্লিবনি হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেন বিন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দোনেসিয়ানা কুমজা ২০১৭ তা ঈ ঈ জেদকী অৱাং থংবা শরুকশিংবু নোর্থ নাতুনা সী হায়না নৌনা মমিং থোন্দোক্তুনা চাইনাগী ঈশিংগী লম পাকথোক-চাওথোক্লিংবগী ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মরু ওইবা খোঙথাং অমা লৌখৎখি।

# ইজরেলি এফ এমনা পীছ টোক্কী ৱাফম হৌদোকখ্রে

জেরুসলেম, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :

ইজরেলি ফোরেন মিনিষ্টর গাবি অসকেনাজিনা পলেষ্টিনিয়নশিংদা অমুক হন্না পীছ টোক চথবগী ৱাফম লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হৌদোকখ্রে। ৱাফম অসি যুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকী পাউচে অল-ইতিহাটনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা ইজরেলি পোলিটিসিয়ন অমনা ফোঙদোকখিবনি।

ইজরেলি ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ইন্টরভিয়ু অদুগী হিব্রু টান্সলেসন অমগী মতুং ইন্না অস্কেনাজিনা পলেষ্টিনিয়ন লিদরশিংদা ওইরক্লিবা অশেংবা ফিভম খঙহনবগা লোয়ননা যু এ ঈগী লুচিংবশিংনা তৌখিবগুম ৱারী শান্নবগী মায়কৈদা লাক্তুনা থৌদাং মশক খঙবা অমসুং লিদরসিপকী ক্বালিটি উৎননবা অপিল তৌখি।

ইজরেল অমসুং যু এ ঈগী মরক্তা মহৌশাগী ওইবা মরী থম্নবা হৌনবগী দিল অমা হ্বাইট হাউসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎয়েক পীনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ৱা ঙাঙলদুনা অস্কেনাজিনা হায়খি মদুদি এগ্রীমেন্ট অদুনা লমদম অদুদা মরা তপ্পা, তং তাবা ফিভম লাকহনবদা অমসুং সিক্যুরিটি লৈহনবদা চাওনা মতেং ওইরগনি।

ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনবু ইজরেলগী অপাম্বা মওংদা থবক তৌদুনা লাকই হায়না মরাল শীদুনা লাকখিবা পলেষ্টিনিয়ন লিদরশিংনা ইজরেলগা মরী থম্নবগী বিলশিং কন্দেম তৌখি। পলেষ্টিনিয়ন ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না দিলশিং অদুনা কুমজা ১৯৬৭কী লান মনুংদা ইজরেলনা পায়শিনখিবা ৱেষ্ট গজা ষ্ট্রিপতা লৈরিবা মফমশিং থাদোকহন্নবা হোৎনরিবা কয়াদা খুরৌ থাংহল্লগনি।

# জর্মনিনা গ্রীসকী ইথৎশিংদা লৈবা মাইগ্রেন্ট ১৫০০ রোম লৌশিল্লগনি

বর্লিন, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :

মী কা হেন্না চিনবা কেম্প অমা মৈনা তুম্না চাকখ্রবা মতুংদা গ্রীসকী ইথৎশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ১৫০০ রোম জর্মনিনা লৌশিনবা পাম্মী হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গভর্নমেন্ট সোর্সশিংদুনা ফোঙদোকখ্রে।

যুরোপিয়ন যুনিয়নগী মেম্বর ষ্টেট অমনা মায়োক্লরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়বসি উৎপা ওইনা ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি হায়না সোর্সশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চান্সেলর এঞ্জেলা মর্কেলনা মাইগ্রেন্টশিং লৌশিনবগী ৱারেপ লৌরক্লিবসি কোরোনাভাইরসকী ক্রাইসিস থেংনবগী মতাংদা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা লৌখৎখিবা থৌরাংশিংবু পাক শন্না থাগৎনখিবগা লোয়ননা ওপোনিয়ন পোলদা মহাক্কী কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী ফিভম ফগৎলকখিবা মতুংদনি।



অয়াম্বা অফঘানিষ্টান, অফ্রিকা অমসুং সিরিয়াদগী ওইবা যুরোপ্তা চঙজফম থিনবা হোৎনরিবা মীওই ১২,০০০ হেন্না হৌখিবা চায়োলদা গ্রীসকী লেজবোস ইথৎতা লৈবা মোরিয়া মাইগ্রেন্ট কেম্প মৈনা তুম্না চাকখিবা মতুংদা লৈফম-চাফম অমদি সেনিটেসনগী খুদোংচাবা ফংদনা লাকখি। জর্মন গভর্নমেন্টকী সোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, গভর্নমেন্টতা চঙজফম পীবিনবা হায়জরকপদা য়াখ্রবা অমসুং লেসবোসতা লৈরকখিবা মাইগ্রেন্টশিং জর্মনিনা লৌশিন্দুনা লৈফম চাফম পীরগনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি হীরম অসিগা মরী লৈনবা প্রপোজেল অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা কঞ্জার্ভেটিভ মেম্বরশিংনা খন্নরগনি। গ্রীসনা মতম শাংনা সমুদ্রগী লম্বীদা লাক্তুনা থুংলকখিবা মশিং য়াম্লবা মাইগ্রেন্টশিং য়েংশিনবগী অচৌবা পোৎলুম অমা পুদুনা লাকখি। গ্রীসকী ইথৎশিংদা রেফ্যুজি অমসুং মাইগ্রেন্ট ৩০,০০০ রোম লৈরিবনি। মাইগ্রেসনগী ৱাফম অসিগী মতাংদা ঈ যুগী লৈবাকশিংগী মরক্তা মান্নদবা মোৎ কয়া ফোঙদোক্লরি।

মার্কেলনা জর্মনিদা মাইগ্রেন্ট মিলিয়ন ১.২ চঙবা য়ারনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং চহী ৫ রোম ফারক্লবা ফাওবদা ব্লোক অসিনা পুন্নমক্না ইনগদবা এসাইলম পোলিসি অমা পুথোকপা ঙমদ্রি।

# কম্মিসনদা অফঘানিষ্টানগী সীট ১ ফংলে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :

অহানবা ওইনা অফঘানিষ্টান্না যু এন কম্মিসন ওন ষ্টেটস ওফ ৱিমিন (সী এস দব্লিয়ু)দা সীট অমা ফংখ্রে।

সীট অদু চহী মরিগী ওইবা টার্ম অমগী ওইনা অফঘানিষ্টান্না পায়গদৌরিবনি। ৱাফম অসি যু এনদা লৈবা অফঘানিষ্টানগী পার্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ অদেলা রাজনা লাউথোরকখিবনি। মসিগী সী এস দব্লিয়ুগী ইলেক্সনদা এ এফ জিনা ভোট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ঙল্লিবসিনা চহী ১৯গী মমাংদা হৌখিবা প্রোসেস অসি ঐখোয়না চাওনা মায় পাক্লে হায়বসি উৎলি।

ঐখোয়গী ইন্টরনেসনল পার্টনরশিংগা লোয়ননা নুপীশিংগী ইম্পাৱরমেন্টকীদমক্তা ঐখোয়না হোৎনদুনা লাকখি। অনৌবা অফঘানিষ্টান অমা শেম্নবা পীছ টোক চথরিঙৈ মনুংদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ত্বিট অমদা রাজনা ফোঙদোকখি।

সীট অদুগীদমক্তগা লম্বা তৌনবদা শরুক য়াখিবা মরু ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া, অফঘানিষ্টান অমসুং চাইনা য়াওখি। ইন্দিয়া অমসুং অফঘানিষ্টান্না মেম্বর ৫৪গী মনুংদা মায় পাকপগী বেলোট মশিং ফংবা ঙমখ্রবসু চাইনানা মখোয়না ফংলিবা ভোট মশিং অদুগী তঙ্খায় ফাওবা য়ৌবা ঙমখিদে।

সী এস দব্লিয়ু অসি নুপা-নুপী থোং মান্নহনবগী অমসুং নুপীশিংদা পাৱর শীন্নবগী ৱাফমদা কৎথোক্লবা মালেমগী মরু ওইবা ইন্টর গভর্নমেন্টল বোদিনি। কুমজা ১৯৪৬কী জুন ২১ দা ফঙ্কসনেল ইকনমিক এন্দ সোসল কাউন্সিল ইকোসোক শেমখি।

# সীনজিয়াংগী পোত্থোক খরা যুনাইটেদ ষ্টেটসনা থিংলগনি



বৈজিং, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :

মুস্লিম উইঘুর মাইনোরিটিগী মায়োক্তা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চথবগা মরী লৈননা যু এসনা চাইনাগী সীনজিয়াং রিজনদগী থাদোরকপা পোৎশক খরা অথিংবা থল্লগনি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটি (দি ঐচ এস)না লাউথোকখ্রে।

হান্না কন্সেন্ট্রেসন কেম্প অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা ভোকেসনেল সেন্টর অমদা শাবশিং য়াওনা পোত্থোক খরা শেম-শাবদা ফোর্স লেবর শীজিন্নৈ হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখিবা ওর্দর অদুদা পনখি। এক্সপোর্ট তৌবদা অথিংবা থল্লিবা আইটেমশিং অদুগী মনুংদা সীনজিয়াং অমদি এনহুই প্রোভিন্সতা লৈবা এন্টিটি মঙাগী ফিরোল, কম্প্যুটর পার্ট অমদি শম ফনবগী ওইবা পোত্থোকশিং য়াওরি। ওর্দর অদুনা কম্পনি ৪ অমসুং মেন্যুফেকচরিং সাইট অমদা টার্গেট তৌখিবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিনা হান্না চাইনিজ প্রোভিন্স অদু শীনথুংনা থল্লিবা অথিংবশিং অদুমক্তি য়ৌখিদ্রে হায়রি।

অসিগুম্বা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী কা হেনবা থৌওংশিং অসিগীদমক্তা ঐখোয়না থোইদোক হেন্দোকপা রেস্পোন্স অমা উৎপগী তঙাইফদবা লৈ। তশেংনমক মসি হৌজিক্কী মতমগী মীনাই লোইরগা থবক শুহনবগী থৌওংনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা বি ঐচ এসকী এক্তিং সেক্রেটরি কেনেট কুসিনেলিনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা বি বি সীগী রিপোর্টনা হায়খি। যু এস কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সনগী এজেন্সিগী এক্তিং কম্মিসনর মার্ক এ মোর্গানন্না ওর্দরশিং অদুনা যু এস সপ্লাই চেনদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা অমদি অতৈ লোনা য়াদবা থবক থৌরমশিং য়ারোই হায়বসি উৎলি হায়খি।

# টালিবানবু সীজফায়র লাউথোকহন্নবা পাকিষ্টানদা তকশিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) : অফঘান পীছ প্রোসেস খুমাঙ চাওশিনহন্নবগী লম্বী ফাৎনবগী পান্দমগা লোয়ননা যুনাইটেদ ষ্টেটসকী অফঘানিষ্টানদা শান্তাইনবা ফিভম লাকহন্নবগী থৌ পুরিবা স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ জালমে খালিলজাদনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাকিষ্টানদা নোংমগী ওইবা খোঙচৎ অমা চত্তুনা পাকিষ্টানি মিলিটরি অমসুং সিভিলিয়ন লিদরসিপকা মীফম কয়া পাঙথোকখ্রে।

ইস্লামাবাদদা লৈরিবা খালিলজাদনা পাকিষ্টান আর্মিগী চীফ কমল জাবেদ বজৱাগা রাউনপেন্দিদা লৈবা জেনরেল হেদ ক্বাটরস (জি ঐচ ক্যু)দা উনখি। অফঘান পীছ প্রোসেসকা মরী লৈননা পাকিষ্টান্না থম্মোয় শেংনা হোৎনরিবা কয়াবু খালিলজাদনা থাগৎখি অমসুং ইস্লামাবাদকী সপোর্ট য়াওদনদি পীছ প্রোসেস অদু ওইথোক্লল্লোই হায়খি।

খালিলজাদকী খোঙচৎ অদুদা যু এসকী সিনিয়র ওফিসলশিংগী ওইবা মেম্বর অহুমগী দেলিগেসন অমা লোয়নখি। মীফম অদুদা



পাকিষ্টানগী স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ ফোর অফঘানিষ্টান এম্বেসেদর মোহমদ সদিকসু শরুক য়াখি। ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি খালিলজাদনা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান নৎত্রগা ফোরেন মিনিষ্টর সহামেহমুদ কুরেসিগা উনখিদবা অসিনি। মহাক্না শুপ্নগী পাকিষ্টান আর্মি চীফ অমসুং এম্বেসেদর সদিককা উনখি।

খালিলজাদনা পাকিষ্টানদা অথুবা খোঙচৎ অমা চৎলিবদু টালিবানদা প্রেসর পীদুনা দোহাদা চথরিবা পীছ টোক্কী অহানবা রাওন্দ মনুংদা তুংকোইনা চৎনগদবা সীজফায়র অমা লাউথোকহন্নবা ইস্লামাবাদগী মতেং লৌনবা হোৎনবনি হায়না থাজনরি। অফঘান গভর্নমেন্টনসু টালিবানদা অসিগুম্বা সীজফায়র অমগীদমক তকশিল্লকখিবনি।

# এক্স-এদভোকেট জেনরেলগী মায়োক্তা করপসন কেস ফাইল তৌখ্রে

অমরাভতি, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) : শেল-থুমগী কান্নবা কয়া লৌনবগীদমক্তা ওফিসল পোজিসন লান্না শীজিন্নখিবগী মরালদা অন্ধ প্রদেশকী এন্টি-করপসন ব্যুরো (এস এ বি)না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হান্নগী এদভোকেট জেনরেল দামালাপতি শ্রিনিভাসকী মায়োক্তা করপসনকী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

মসি মতম অমগী এভোকেট জেনরেল, এ পি, দামালাপতিনা মহাক্কী ওফিসল পোজিসন লান্না শীজিন্নদুনা শেল-থুমগী খুদোংচাবা লৌখিবগী কেস অমনি হায়না এ সী বিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

এ সী বি গুম্ত্তরনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট ১৯৯৮ অমসুং আই পি সী এগী সেক্সন ৪২০, ৪০৯ অমসুং ১২০ বিগী মখাদা হান্নগী এদভোকেট জেনরেল অসিগী মায়োক্তা কেস অমা ফাইল তৌখি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মতুং ইন্না শ্রিনিভাসনা মহাক্কী ফমগী পাৱর লান্না শীজিন্নদুনা কুমজা ২০১৪ জুনদগী কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ফাওবদা মহাক্কী মকুবোক, মশেল-মবাইশিং, এসোসিয়েটশিং অমসুং তিন্নবা মীওই কয়াদা লম পীখি।

# ‘চাইনানা ইন্দিয়াগী লম স্কৱার কিলোমিটর ৩৮,০০০ পায়শিন্দুনা লৈরে’

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) : চাইনানা ইন্দিয়াগী লম স্কৱার কিলোমিটর ৩৮,০০০ লোনা য়াদবা মওংদা পায়শিনবগা লোয়ননা অতোপ্পা স্কৱার কিলোমিটর ৯০,০০০ লমসু মখোয়গীনি হায়না খন্দুনা লৈরি হায়না যুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোল (এল এ সী) ময়েক শেংনা য়াৎথোক্তে হায়নসু ফোঙদোকখি। দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি চাইনানা হৌখিবা মে অমসুং জুনদা লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোলগী হান্নদগী লৈরক্লবা ফিভমদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মতিক চাবা পাউখুম পীখি। ঐখোয়না চাইনাদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং কৈদৌঙৈদসু য়ারোই হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহনখি হায়না রাজনাথনা হাউসতা ফোঙদোকখি।




চাইনানা যুনিয়ন টেরিটরি লদাখদা লোনা য়াদবা মওংদা চাওরক্না স্কৱার কিলোমিটর ৩৮,০০০গী লম মখা তানা পায়শিন্দুনা লৈরি। মসিগী মথক্তা কুমজা ১৯৬৩ গী সাইনো-পাকিষ্টান বাওন্দরি এগ্রীমেন্টকী মখাদা পাকিষ্টান্না পাকিষ্টান-ওক্যুপাইদ কাশ্মিরগী স্কৱার কিলোমিটর ৫,১৮০ পাক চাওবা লম চাইনাদা লোনা য়াদবা মওংদা পীথোকখ্রে। চাইনানা অরুনাচল প্রদেশগী ইন্দিয়া- চাইনা বাওন্দরিগী ইষ্টর্ন সেক্তরগী মনুং চনবা ইন্দিয়াগী লম স্কৱার কিলোমিটর ৯০,০০০ লোমসু ক্লেম তৌরি। চাইনানা লৈবাক অসিগা ইন্দিয়াগগী মরক্তা মহৌশাদগী লৈরক্লবা বাওন্দরি এলাইনমেন্টকী ফিভম অমত্তা য়াদনা লৈরি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

লৈবাক অনীনা মমাংদা চহী ৫০/৬০ রোমগী মমাংদা বাওন্দরিগী মতাংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না খন্নখিবা লৈরবসু নাকল অনীগী মরক্তা ৱারোইশিন অমত্তা নাখে শেংনা পুরকপা ঙমখিদে। ইন্দিয়া অমসুং চাইনা অনীমক্না ঙমখৈগী ৱাফম অসি অখাং কনবা চঙবা অরুবা ৱাফম্নি হায়বসিদা য়ানখিবগা লোয়ননা দাইলোগ অমসুং ঈং-চিক্না চথবা নিগোসিএসনশিংগী খুত্থাংদা নাকল অনীমক্না য়ানগদবা মরম চাবা অমসুং পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপনা ফৈ হায়না লেপ্পখি। অসিগুম্বা মপুং ফাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিঙৈগী মরক্তা নাকল অনীমক্না এল এ সীগী ফিভম কায়হন্দনা থম্নবা বোর্দর সিক্যুরিটিগী থৌরাংশিং লৌখৎনবগা লোয়ননা বাইলেটরেল মরীসু ফগৎহনবগী ৱাফম য়ানদুনা লাকখি হায়খি।

# মিনিষ্টর বসাভারাজ পোজিটিভ ওইরে

অমরাভতি, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) : সেপ্তেম্বর ২১ দগী হৌগদৌরিবা কর্নাতাকা লেজিসলেচরগী নোংজুগী মীফমগী মাঙওইননা ষ্টেট অসিগী অর্বান দিপলমেন্ট মিনিষ্টর বাইরাতি বসাভারাজ কোভিদ ইনফেক্সনগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইদুনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল এদমিট তৌখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা, বসাভারাজ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী সিটিগী অৱাং থংবা চিদাইদা লৈবা কলম্বিয়া এসিয়া হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে। মশাগী চহী ৫৬ শুরবা বসাভারাজ রুলিং বি জে পিগী কে আর পুরম এসেমব্লি সেগমেন্টদগী কারকপা লেজিসলেটরনি। মিনিষ্টর অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোভিদ টেষ্ট তৌখিবা মতমদা মশাদা চীকপা-নাবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লাইওংশিং য়াওখিদে।

মহাক কোংগ্রেসতগী চেন্থোরক্লগা বি জে পিদা য়াওরবা মতুং হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লিগী বাই ইলেক্সনদা মহাক্কী হান্নগী কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদগী অমুক হন্না কারকখি। মান্নবা দিভলপমেন্ট অমদা মহিশুরু দিষ্ট্রিক্টকী হুন্সুরদগী কারকপা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী লেজিসলেটর ঐচ পি মঞ্জুনাথসু সেপ্তেম্বর ১১ দা কোভিদ কেসতা পোজিটিভ ওইদুনা ময়ুমদা লাইওং উত্তনা লায়েং চথুরি।

# অন্ধ্র প্রদেশকী জেল ইনমেট ৩০০ কোভিদ-১৯দগী ফরে

রাজাহমুন্দ্রি, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :

ইষ্ট গোদাবরি দিষ্ট্রিক্টকী রাজাহমুন্দ্রি সেন্ট্রেল জেলদা লৈরিবা ইনমেট ৩০০ কোভিদ-১৯ নরম্বদগী ফরে হায়রি।

প্রিজনর ৩০০ কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনদগী মপুং ফানা ফরে হায়না দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি আই জি), কোষ্টেল অন্ধ্র রেঞ্জ, আই শ্রিনিভসা রাওনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।



পুন্না প্রিজনর ১,৭০০ কোরোনা-ভাইরস ইনফেক্সন দিটেক্ট তৌনবা টেষ্ট তৌখিবদা প্রিজনর ৩০০ পোজিটিভ ওইখিবনি। গভর্নমেন্টনা পোজিটিভ ইনমেটশিং অদুগী ইন্টেন্সিভ ক্যের লৌনবা ইন্সট্রক্সন পীবদগী সেন্ট্রেল প্রিজন অসিনা ইনমেট ৩০০ অসিগী স্পেসল বরেক অমা শীন-লাংখি। মখোয়দা স্পেসল দাইদ পীবগা লোয়ননা দাইবেটিস, ব্লদ প্রেসর অমসুং অতৈ মখোয়দা য়াওরিবা কোমোর্বিদিটিশিং মোনিটর তৌবা য়াওনা রেগ্যুলর মেদিকেল চেকঅপশিং পাঙথোকখি। মখোয়বু অখন্নবা মেদিকেল ক্যের ফংহনখিবগা লোয়ননা ইনমেট ৩০০ মক কোভিদ-১৯ দগী ফরকখি। কোষ্টেল অন্ধ্র প্রদেশকী জেলশিংদা ঐখোয়না কোভিদকী ফিভম মায় পাক্না লাকশিনবা ঙল্লে হায়না রাওনা ফোঙদোকখি।

রাজমুন্দ্রি জেলদা নত্তনা পুলিস দিপার্টমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা কোভিদকা মরী লৈনবা স্পেসল জেলশিং শেম শাবগুম্বা এরেঞ্জমেন্ট কয়ামরুম অতৈ জেলশিংদসু লাংখি। মসিনা শাথিরবা ভাইরস অসি পাক শন্না শন্দোরকপা থিংবদা চাওনা মতেং পাংখি। লাইওং উত্তবা ইনমেটশিং জেল ব্লোকশিংগী মনুংদা ক্বারন্টিন তৌখি অমসুং মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল এন্দ হেল্থ ওফিসর (দি এম এন ঐচ ও)না মখোয়বু লায়েংনবগী স্পেসল দোক্তরশিং লাংখি। ফিভম লুবা ইনমেটশিংদমক হেন্না ফবা ট্রিটমেন্টগীদমক কোভিদ সেন্টরশিংদা হোংদোকখি।

# এস্পিনাজ কেসতা এন আই এনা মরু ওইবা আই এস আইগী এইদ ফারে

ভিসখপটনম, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সি) :

ভিসখপটনম নেভেল এস্পিনাজ কেস থিজিল্লিবা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাকিষ্টানগী স্পাই এজেন্সি (আই এস আই) গীদমক্তা অরোন-অথুপকী পাউ কয়া লৌবগী থবক্তা চেন্নবগী মরাল শীখ্রবা মরু ওইবা মীশক অমা ফাখ্রে।

এন আই এগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, গুজরাটকী গোদ্রাদা লৈবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা গিটেলি ইমরান কৌবা একুজ অদু ইন্দিয়ন পেনাল কোদ, অনলোফুল এক্তিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট অমসুং ওফিসল সেক্রেটস এক্টকী সেক্সন কয়াগী মখাদা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অদুগা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফাখিবনি।



ওফিসল অসিনা হায়খি মদুদি থিজিন-হুমজিনবদা একুজ অসি বোর্দর লান্না ফিরোলশিং লল্লোন-ইতিক তৌবগী মিংদা পাকিষ্টানি স্পাই কয়াগা মরী লৈনখি হায়বসি খঙবা ঙমখি। পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা স্পাইশিংগী দিরেক্সনশিংগী মতুং ইন্না মহাক্না ইন্দিয়ন নেভি পর্সনেল কয়াগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা চাং নাইনা শেল দিপোজিৎ তৌখি। অমরোমদা, নেভিগী পর্সনেলশিংদুনা মঙোন্দা অরুবা অমসুং অরোনবা দেতা কয়া ফংহনখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা গিটেলিগী যুমদা থিবা হুম্বা চথুখিবদা দিজিটেল দিভাইসশিং অমসুং চিংননিংঙাই ওইবা দোক্যুমেন্ট কয়া থেংনবদগী ফাগৎখি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি। কেস অসি ইন্দিয়ন নেভিগী জহাজশিং অমসুং সবমেরিনশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবা, মখোয়গী মফমশিংগী মতাংদা লোন্না পাউ লৌনবা ইন্দিয়াদা লৈবা মীওই কয়া এজেন্টশিং ওইনা পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা স্পাইশিংনা রিক্রুট তৌবগী ইন্টরনেসনল এস্পিনাজ রেকেট অমগা মরী লৈনৈ।